হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, এপ্রিল ১৬, ২০১৮, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ২৪ শুবা মশীং

# ময়াংনা মীতৈগী য়ূম্নাক ওনবা

## য়ূম্নাক ওনবদা চেন্নবশিং লেম্না থাবা চুম্লোই

মণিপুরদা চীংমী ওইরবসু, তম্মীবু ওইরবসু অশেংবা য়েলহৌমী ওইবা তারগদি য়েক সলাই তরেৎ লৈগনি। মসিমক কবুই, তাঙ্খুল অমদি অতৈ চীংগী ইচিল-ইনাওশিংগী মরক্তা অদুমক লৈ। মসি হায় হায়দুনা য়েক সলাই লৈতবা কাঙবুশিং অদু মণিপুরী মচা নত্তে হায়বদি লানগনি। অদুবু, কনাগুম্বা মীওই অমনা য়ূম্নাক শাগৈ ওনগে হায়বা তারগদি মদুগী ওঠৌরিটি অসি মণিপুর লৈঙাক্তা পীরি। কাঙলূপ-কাঙলূপশিং অদুগী ট্রেদিসন অমসুং মখোয়-মখোয়গী ওইবা লোগী মতুংইন্না থবক তৌই। মীতৈগী ওইনদি নিংথৌনা য়ূম্নাক-শাগৈ পীবগী থবক অসি মৈহৌরোলদগী অদুমক তৌদুনা লাকই। চীংগী ফুরুপশিংসু অদুমঙাই মখোয়-মখোয়গী খুল্লাকপশিং শেম্বা কম্মিটি অমনা য়ূম্নাক পী। খৃষ্টান ওল্লবা কাঙবুগীনা মীয়াম খঙনা পাষ্টরনা লাউথোক্লগা চৎনহল্লি। মণিপুরগী তম্পাক লমদা খুন্দারিবা মীতৈশিংসু য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা অতোপ্পা ফুরুপ্তুগী লাকপা মীওইশিংদা য়ূম্নাক পীরগা ঐখোয়গী মরক্তা অদুম লৈহনবগী চৎনবী অমসু উবা ফংই। মরুওইনা পাঙলশিংদা নিংথৌনা য়ূম্নাক পীরগা লমদমসিগী মীওই ওইনা লৈহনখিবগী ৱারী লৈ। মীতৈ ওইজরগসু মহাক্কী য়ূম্নাক-শাগৈ অদু অতোপ্পা শাগৈদা ওনবগী অয়াবসু মতম-মতমগী মতুংইন্না পীরম্বা থেংনৈ। খূদম ওইনা হায়রবদা গরিবনিৱাজ মহারাজনা লৌরিবা চীংমী নুপী নুংথিলচাইবী অসি সাপম নিংঙোল ওইহল্লি হায়না ৱারী লাইরিক খরদসু অদুমক থেংনৈ। মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিনখ্রবা মতুংদা লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসন চৎনরবদসু য়ূম্নাক শাগৈ ওনবগী মপূং ওইবা থৌদাং খূদিংমক চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না নিংথৌনা অয়াম্বা তৌই। হৌজিক-হৌজিক ফোং-ফোং শারিবা ৱাফম অমনা নিংথৌদা পীরম্বা কষ্টমরি লোগী মতিক-ময়াইশিং অদু কনাগুম্বনা ময়াই চমহনবদৌনা তৌই। মসিগী খূদোংচাবা লৌরগা মণিপুর লৈঙাক্কী দিষ্ট্রিক্ট ওঠৌরিটিনা করিগুম্বা মতমদা রেসিদেন্সিএল সর্টিফিকেটনচিংবা পীবদা চেকশিনহৌদবদগী মীতোপ-মীয়ানচা কয়ামরুম মীতৈগী য়ূম্নাক শাগৈদা ওল্লম্বগী ৱাফম অসি য়াম্না তোয়না থেংনরক্লে। মীতৈ খুন্নাইগী নিংঙোলনা ময়ূম পাল্লবা তুংদা মহাক্কী য়ূম্নাক শাগৈ অদু নুপা ময়ূমদা ওংলবনিনা নুপা ময়ূমগী য়ূম্নাক্তা তিনবগী চৎনবী অমখক লৈ। অদুগা অতোপ্পা কাঙলূপ খরগীদি নুপাগী য়ূম্নাক অদু নুপীগী য়ূম্নাক্তা তিনবসু য়াওদবা নত্তে।

মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)কী কাঙবু অমনা হন্দক্তা ময়াংনা মীতৈ য়ূম্নাক ওল্লগা মীতৈ নুপী অনী লৌরগা ইম্ফালদা লৈরম্বগী ৱাফম অমখক পুথোরকখ্রে। মদুগী মতুং তারকপদা ম্যান্মাররোমদগী নারোলদা চঙশিল্লকপা রোহিংয়া অমসু হিন্দুগী মমিং ওল্লগা মণিপুরদা লৈরম্বদগী পুলিসনা ফারকপা লৈখ্রে। ইম্ফালগী ময়োলমক্তদা লুৱাংথেম হায়না মমিং ওল্লগা লমদম অসিগী চাকথুং পূম্নমক চারগা লৈরম্বা মীওই অদুনা চথুরম্বা থবকশিং অদুসু খুন্নাই অসিগী মায়োক্তা ওইরি। লুরিবা ৱাফমদি মীরৈবাক্তগীবু চঙলকপা ওইরগসু, লৈবাক অসিগী মীবু ওইরগসু মশা-মশাগী য়ূম্নাক, ফুরুপ ওনবা হায়বসি অকক্লবা কাঙলোন খরগী মখাদা চথুগদবনি। ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৫ তগী ১০ ফাওবগী মনুংদা পীরিবা খূদোংচাবশিং অদুগী মখাদা তৌগদবনি। অমরোমদা, মীতৈ খুন্নাইদি ইন্দিয়াদা তিন্দ্রিঙৈগী মমাংদগী হৌনা য়ূম্নাক ওনবা হায়বসি উত্রা শঙলেননা পাঙথোক্তুনা লাকই। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি, উত্রা শঙলেননা য়ূম্নাক ওনবগী মঙম পায়জরগসু লৈবাক অসিগী লোগী মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননসু থবক অসি করিগুম্বা মতমদা শোয়বদগী নৎত্রগা চেকশিলহৌদবদগী খূৎ থিংজিল্লকপা য়াওই। মসিগী খূদম হায়ববু ওথ কম্মিস্নরশিংনা মীওই অমগী য়ূম্নাক নৎত্রগা লৈফমনচিংবা শেম শারগা খূৎয়েক পীরকপদা মরী লৈনরিবা মীওই অদু মখোয়-মখোয়গী মমাংদা মিনিট ৫ দা ওইরবসু লেপহনবগী চৎনবা অমা লৈতবদৌনা তৌখ্রে। মখোয়গী মাংদা মীওই অদুনা লেপ্লগা মহাক্কী য়ূম্নাক লুৱাংথেমনি নৎত্রগা হিন্দুনি হায়জরগদি শক-চু, ৱাঙাং-শাঙাং অদুনা অদুমক মহাক করম্বা ফুরুপকী মীওইনো, মহাক হিন্দুরা হায়বদু মুন্না খঙগনি। ওথ কম্মিস্নরশিংনা মখোয়বু ৱাহং-পাউহংবা হায়বসিসু তঙাইফদবা অমনি। করি লৈকায়দগীনো, কনাগী মচানো হায়বা ভেরিফিকেসন অমা চথুরবা তুংদা সর্টিফিকেট পীরগদি মতম চুপ্পদা মীৱা-মৈশা লাংলোই। মখোয়না পীরকপা রেসিদেন্সিএল সর্টিফিকেট অদুনা দেপ্যুটি কম্মিস্নরগী খূৎতা য়ৌরবা তুংদা ফংফম থোকপশিং ফংননবগী মরম অমা ওইহল্লকই অমসুং পান কার্দ নৎত্রগা আধার কার্দ ফংবদা অরুবা ওইহন্দে। পূম্নমক অসি য়েংলুরগদি ঐখোয়গীসিদা লৈরিবা অহোবশিং অসি হান্না মেনশিনবগী তঙাইফদবা লৈগনি। অতম্নরা তৌগে য়াওনা য়ূম্নাক ওনবা অমসুং খুন্নাই অসিবু মহাম তাহন্নবা শিল্লিবশিং অসিগী মথক্তা অকনবা চৈরাক পীফম থোকই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭০

১। ঙসি ফাওবদা মণিপুরগী নিংথৌশিংনা ফাখিবা কৈশিংগী মনুংদা তৌবুলদা ফাখিবা কৈ অদুনা খ্বাইদগী চাউই হায়নরি।
 (ক) করম্বা নিংথৌনা কৈদু ফাখিবগে?
 (খ) কৈদু ফুট কয়া শাংবগে?
২। "কিগনু/লিন নত্তে/ঐগী কবিতানি/ঙাইহাক্তা থনমগে নঙোন্দ।" পরেংশিং অসি কবিরত্ন লাইশ্রম সমরেন্দ্রগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।
৩। কবি থাংজম ইবোপিশকপু মণিপুরী শৈরেংগী লানলুম্বা কবি হায়না অইবা অমনা কৌখি। অইবদু কনানো?
৪। "নবুক অদুক ফত্তবদি/নহাক্কী ফি মখৈ লৌশিল্লগা ঐগী ফনেক্তুনা চোৎহল্লবনি।... কৈদৌগে ঐগীসু চৈ অমত্তনা ওইরবসু... লৌশিনবীরম্বা য়াইদনা।" পরেংশিং অসিনা 'অধিকার মান্নবা' কৌবা ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। অইবীদু কনানো?
৫। 'ঐগী দায়রিদগী' কৌবা নীংশিং ৱারী লাইরিক্তুগী অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৯গী পাউখুম ৫ চুম্না থাবীরকখিবশিংদি**

১) মাইবম নিলান্দো, সম্বৈ মখা লৈকায়, ইম্ফাল ইষ্ট (৫)
২) হৈস্নাম রুপো, ময়াং ইম্ফাল থানা ৱাংখৈ লৈকায় (৫)
৩) সনসম লক্সমি চনু, হিয়াংথাং ময়ায় লৈকায় (৫)
৪) থোকচোম প্রিয়া, খাঙবোক খুনৌ (৫)
৫) *প্রেমকুমার থোকচোম, খাঙবোক খুনৌ লৈকায় পার্ট থ্রি* (৫)
৬) হিদংময়ূম ব্রজমনি শর্ম্মা, উরিপোক অহন্থেম লৈকায়, রাজ বাপু থোং মনাক (৫)

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৬৯গী ৱিন্নর**

*প্রেমকুমার থোকচোম, খাঙবোক খুনৌ লৈকায় পার্ট থ্রি* (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)

**লিটরেরি ক্যুইজ ৬৯গী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম এপ্রিল ২২, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।**

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৯গী পাউখুম

১। ঐখোয় মৈতৈগীদি পূং হায়বসি থানবা য়াদ্রবা পোৎশক্নি।
 (ক) করম্বা নিংথৌ হাক্তক্তা ইহান হান্না পূং তিংখিবগে? **: মৈদিংঙু খুইয়োই তোম্পোক**
 (খ) করম্বা শাগী মঔন্না তিংবদা পূংখোল থোল্লকখিবগে? **: ষণ মঔন**
২। "থাপ্না উরিবা চীং অসি ওন্থোক্না ফজৈদা/নৌনা পূক্নিং হূনা নিংথিদা/ঈংনা নিক নিক লাউইদা।" পরেংশিং অসি ডা. কমলগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু। **: চন্দ্রনদি।**
৩। বাংলা অইবা শরতচন্দ্রগী ৱারীমচা 'মহেশ'কী মমি তাবা ৱারীমচা অমা কুঞ্জমোহন্না ইরকখি। ৱারীমচা অদুগী মমিং হায়য়ু। **: কামধেনু।**
৪। কুমজা ১৯৭৭তা 'নোম নোম শগাই তোং চানবা লৈতে তখেল থাঙ' কৌবা শৈরেং লাইরিক অমা থোল্লকখি। অইবী অদুগী মমিং হায়য়ু। **লোংজম ওংবী ইবেমপিশক দেবী**
৫। "শাৎলমদরে কোম্বীরৈ/লম্ফেল পাৎতা ঙসিদি।" ঈশৈ পরেং অনীসি 'ঈশৈ চনিগী পরেং' কৌবা ঈশৈ শৈরেং লাইরিক্তুদগীনি। অইবদু কনানো? **: কোনসবা ইবোচৌ।**

## লৌমীশিংগী কাখল

# ফৌদা তাবা লায়না অমসুং ঙাকথোক্নবা উপায়

**ডা: এম থোইথোই সিংহ**

*(হান্নগী মখা চথজরকপা)*

**ফৌনা কোহ্লিং কাবী** (Brown spot) ঃ

লায়না থোকহল্লিবা কোকফাই - *Drechslera oryzae* (অনৌবা মমিং), *Helminthosporium oryzae* (অরিবা মমিং)

Perithecial stage : *Cochliobolus miyabeanus.*

কুমজা ১৯৪২ দা লায়না অসিনা 'বেঙ্গলদা চাক তাঙবা' থোকহনখি। মতমদুদা পোথোক্কী চাদা ৯০ হন্থহনখি। লৈবাক লৈহাও কয়া ফত্তবা অমসুং চাং কায়না লৈহাও ফংবা মফমদা নাগনবা লায়নানি। লায়না সিবু 'poor man's disease' হায়নসু খঙনৈ। মমাঙঙৈগা য়েংনবদা লায়না অসি তাবা হন্থরক্লি।

**লায়ওং ঃ** মনাদতা নত্তনা ফৌ পাম্বীগী মথক থংবা মফম খুদিংমক হায়বদি পাম্বীনা নৌরিঙৈগী ময়োলবু য়োমশিল্লিবা অহানবা মনা, মনাগী মখোকলোমথংবা শরুক (leaf sheath) অমসুং লৈয়োমনচিংবদসু উবা ফংই। মরুদগী চোংখৎলকপদা ঙাইরিবা নৌরিবা পাম্বীশিংদা নারবদি দাগশিংদু কোনা মচু (ব্রাউন) মানবা অপীকপা কোয়দানবা দাগশিং উজানি। খরা হেঞ্জিন্না নারগনা নৌরিবা পাম্বীদু শি। ফৌ পাম্বীদুনা খরা অমুক চাওখৎখ্রবদি লায়না সিনা ইরায় লায়না হাৎপদি পাক ঙমদে। চাকথেকপা মফমশিংদু অসুম অসুম চাউবা হেনগৎলকপগী মহুত্তা দাগ মশীং ওইনা হেনগৎলক্কনি। ফৌ মরুশিংদসু দাগশিং লৈহল্লি।

**লায়না অসিনা ফৌ পাম্বীবু মাঙহল্লিবা য়াম্না মরুওইবা তাঙ্কক অহুম ঃ** ১) লায়না অসিনা ফৌদিদা চেন্নরক্তুনা মতোন চোংবগী চাং হন্থহল্লি। মরম অসিনা মণিপুরদা হুনফম থোকপা ফৌদিগী চাংদগী হেন্না হুনবা চৎনৈ। অসুম্না অরেম্বদা ফৌদি কয়া অমা মাঙহল্লি। ২) মনাগী মফম খুদিংদা লায়না অসিনা কাথেকহন্দুনা মনাগী তৌফম থোকপা মথৌ পাঙথোকপা ঙমহন্দবদগী নৌরিবা পাম্বীশিংবু মশা শোন্থহল্লি। মতাং অসিদনি ফৌ পাম্বীদা খ্বাইদগী শোকহল্লিবসি। ৩) মনাগী মথৌ চপ চানা পাঙথোকপা ঙমদবদগী ফীভম চুম্না ফৌ পানবা, মরু চঙবনচিংবা ঙমহন্দে অমসুং মওং মরিল চুমদবা খুঁইরি খুঁইরি তৌবনচিংবা থোকহল্লি।

**লায়না শন্দোকপগী মওং ঃ** লায়নাসি ফৌদিদা চেন্নরকই, মখা তানা নুংশিৎনা শন্দোকই। নুংশিৎনা শন্দোকপগী চাংনা ৱাংই। চরু ইকুন্দগীসু কোকফাই মরুশিং থাদোরক্তুনা লায়নাসি শন্দোরকই। হান্নগী চরুখোক অমসুং খোকমন্দগী শন্দোরকই।

**লায়না অসি পাক-শন্না শন্দোরকপা য়াবা ফীভমশিং ঃ** ১) পাম্বীনা লীবা হেনগৎলক্লিবমখৈ লায়না তাবগী চাংসু হেনগৎলকই। মরম অদুনা ফৌ মপাল শাবা অমসুং মপূং ফারকপা মতমদা লায়না অসিনা নাবগী চাং হেনগৎলকই। লায়নাসি অনৌবা মনাদগী অরিবা মনাদনা হেন্না তাই। ২) নাইট্রোজেনগী চাং ৱাৎলবা অমসুং হেল্লবা মতম অনীমক্তা লায়না অসি তাবগী চাং ৱাংই। নাইট্রোজেনগী চাং ৱাংবা ওইরবদি ফোস্ফেটিক ফর্টিলাইজর হাপ্লগা লায়না তাবগী চাং হন্থহনবা য়াই। ৩) কুংনা থাবা পাম্বীশিংনা অরনবা পাম্বীশিংদগী হেন্না লায়না অসি তাগল্লি। ৪) পোটাস ৱাৎপা মফমদা লায়নাসি শোয়দনা থেংনৈ। ব্রাউন স্পোটসি পোটাস ৱাৎপগী খুদমনি হায়বদা য়েৎনদ্রে।



**ঙাকথোক্নবা পাম্বৈশিং ঃ** ১) লৌ লোক্লবা মতুংদা হান্নগী লায়না চেল্লবা চরু ৱাইরুনচিংবা পাম্বীগী লেমখাকশিং মৈ থাদোকপা কান্নগনি। ২) ফৌদিদা হীদাক তোৎহৌগনি। মসিগীদমক Thiophanate methyl 70% WP গ্রাম মরি মরু কিলো খুদিংদা তোৎহৌগনি। ৩) লায়নাসি তারবা পাম্বীশিংদা Mancozeb 75% WP গ্রাম ৮০০-১০০০ ফাওবা পরী অমা চাউবা লৌফমদা কাপথোক্কনি।

**ব্লাষ্ট অমসুং ব্রাউন স্পোটতা খেন্নবা খরা**

| ব্লাষ্ট | ব্রাউন স্পোট |
|---|---|
| ১. ব্লাষ্ট থোকহল্লিবা কোকফাই শুজা অসি মপাঙ্গল কল্লি। | ব্রাউন স্পোট থোকহল্লিবা কোকফাই শুজা অসি মপাঙ্গল শোল্লি। |
| ২. ব্লাষ্ট অসি নাইট্রোজেন ৱাংবগী লায়নানি। | লৈবাক লৈহাও ৱাৎপগী লায়নানি হায়বা য়াই। |
| ৩. ফৌনানা য়াম্না মুশন্না শংবা মতমদা নাগল্লি। | ফৌনানা নাপু মচু খজিক্তং চঙবা অমসুং মশা শোনবা মতমদা নাগল্লি। |
| ৪. দাগশিংগী মতোন অনীমক্তা তুমশিল্লি। | দাগশিং কোরোক কোয়না উই। |
| ৫. মনাগী দাগশিংদা কোকফাই শুজা অদুগী মরূ (Conidia) য়াম্না পুথোকই। | মনাগী দাগশিংদা কোকফাই মরূ পুথোকপগী চাং নেম্মী। |
| ৬. কার্বোন্দাজিম কাপ্লগা লায়নাসি ফহনবা ঙম্মী। | কার্বোন্দাজিমনা লায়নাসি ফহনবা ঙমদে। |

-মথং-মথং

# অঙনফৌগী চেকশিন থৌরাং

**এস সুমঙ্গল সিংহ**

মণিপুরগী লৌফম কয়াদা হৌজিকসি অঙনফৌ কয়া অমা হৌবা থেংনৈ। লোয়ননা মসিদা য়াম্নমক লুবা নৎত্রবসু খুদোং থিবা কয়া অমদি থেংনদবা নত্তে। থেংনরিবা কয়াসিগা লোয়ননা অতোপ্পা থমজনীংবা ৱাফম খরা খঙজিনবদা কান্নগনি খল্লি। খরা নৈনদুনা য়েংসি।

ফৌগী চাউবগী তাঙ্কক খেন্নবগী মতুং ইন্না লৌগদবা চেকশিন থৌরাংসু খেন্নগদৌরিবনি। খুদম ওইনা হায়রবদা মচা পোল্লক্লিবা তাঙ্কক্তা চাইগদবা হারগী চাংগা মচা পোকপা লোইদুনা মশা তাশিনবা হৌরক্লবা মতমদা চাইগদবা হারগী চাংগা খেন্নবা লৈরিবনি। অহানবা ওইনা চাইগদবা হারগী চাংগী মরমদা খরা হান্না থমজগে। হান্নরা ফৌ থারমদায়দা হাপকদবা হারগী শরুকশিং হাপখ্রে হায়না লৌজরগা মচা কন্না পোকপা তাঞ্জা ওইরগদি শঙমগী চাংদা য়ুরিয়া কিলো নিপানমুক হাপসি, হাইব্রিদ ওইরগনা তরামুক হাপসি, হান্নরা হাপখিবদা ওইরগনা কিলো মঙাগী চাংদা হেঙ্গৎলগা হাপসি । মসি হায় হায়দুনসু হৌরিবা ফৌগী ফৌগা য়েংবা চঙঙি। মহৌশানা লৌফমদুদা পাৎলৌ ওইদুনা ফৌগা ফনা লৈবা ওইরবদি হাপচিল্লুবগী কান্নবদি লাইরদনা মাঙননবা মচাক ওইবসু য়াওই। মরম অদুনা ইশানা ফৌগী ফীভম খঙবা হায়বসি য়াম্না মরু ওইবা অমনি হায়জনীংই। অমবু ওইরে অমবু ওইরে চাউরাকপা মণিপুরগী ফীভমদা চাইগদবা অঙনফৌগী হারগী চাং য়েংলগা থমজবনি। মরু ওইবা হার মখল অনী হায়বদি ফোস্ফোরস অমসুং পোটাশ অসিসু য়াম্না মরু ওইবা মরম্না হান্নরা চাইহৌদ্রবদি সিঙ্গল সুপর ফোস্ফেট অসি ফৌরক্তা য়াম্না চেকশিন্না মনাদা লিক্লা পক্ত্রবা তাঞ্জা য়েংবীরগা কিলো নিফুমুক শঙম অমগী চাংদা চাইবা কান্নগনি। অদুবু কিলো নিফুমক অমুক্তদা চাইশিনবদি তৌবিরোইদবনি। নুমিৎ ৫-৬নি কান্নরগা তঙ্খাই তঙ্খাই চাইনি। লোয়ননা ম্যুরিএট ওফ পোটাশ হায়রিবা হার মখল অসি কিলো তরামুক তোঙানবা শঙম অমগী চাংদা হাপ্পা কান্নগনি। মথংদা মশা তাশিল্লকপা তাঞ্জাদা য়ুরিয়া কিলো তারগা পোটাশ কিলো তরেৎ-নিপানগী অমুক চাইবীগনি। মথক্তা পঞ্জখিবা ফৌগী তাঙ্কক হায়বদি মশা তাশিল্লক্লবা ফৌগী তাঙ্কক্তা হৌজিক হৌজিকমক লৈবা তাঞ্জা ওইরবা অদুগা মমাঙদা হার হাপহৌদবা ওইরবদি ফোস্ফোরস হাপ্পদা কয়া কান্নগদবা মান্দবা মরম্না য়ুরিয়া কিলো তারমুক্কা পোটাশ কিলো তরানিথোইমুক্কা পুন্না য়াল্লগা শঙম অমগী চাংদা খূৎলৈ থুনা চাইবীয়ু হান্নরা চাইহৌদে হায়দুনা খরা হেন্না হাপ্পদা মাঙজবনা হেনগনি। য়াম্না মরু ওইরিবা ৱাফমদি ফৌগী শাহৌ খঙবীবা অদুনি।

অঙনফৌ মখলশিং অসি অয়াম্বনা মতম তেনবা ওইবনা ভেজিটেটিভ ফেজ হায়বদি ফৌনা চাওখৎলকপা মনা অমদি মরা চাউখৎলকপা, মচা পোকপা অসিনচিংবগী তাঙ্কক্কা রিপ্রদক্টিভ ফেজ হায়বদি মশা তাশিন্দুনা মপান মমি তম্বা হৌরকপা মতমগা অনী অসি লোনশিন্নৈ। মরম অদুনা হার হাপ্পগী তাঞ্জা অসি মতম শাংনা চঙবা ফৌ মখলশিংগা খরা খেন্নবা লৈ। ফৌদা য়ুরিয়া অমসুং পোটাস হাপ্পদা য়ুরিয়ানা অহুম্লক থোক্লা অদুগা পোটাসনা অনীরক থোক্লা চাইনবা হোৎনরবসু চাইবগী কান্নগদবা মতম অসি খরা তেনশিন্নবা হোৎনবীগনি। মরুওইনা সী এ য়ু আর ৩ (মঙ্গল), আর সী মনিফৌ ১২ (আর সী এম ১৩) পারিফৌনচিংবা য়াম্না তেনবা ফৌ মখলশিং অসিদি মীকুপ নাহুম শিংনা শেন্নবীদুনা খরা ঙল্লিঙৈ মতমদা নিংথিনা হোৎনবীহৌরবদি ফৌ শেম্বগী তাঞ্জা নান্থোকখিদুনা মপান শারকপনা হানখিদুনা চাথোক হন্থনীংঙাই ওই।

ফৌ মপান মমি তম্বগী মতম করম্না খঙগনি হায়বদু অমুক য়েংসি। ফৌ অয়াম্বনা মপান মমি তম্বগী মপান শাবা ফালবগী মতম অসি নুমিৎ ৩৫নি চঙই। মপান শাবদগী মুনবা ফাওবদা নুমিৎ ৩০নি অমগা চঙই। হৌজিক মপান মমি তম্বদগী মুনবা ফাওবদা পূন্না নুমিৎ ৬৫নি লৈখ্রে। অমরোমদা অমুক ফৌগী মপুন্সি অসি হুনবদগী মুনবা ফাওবা পাগনি। নুমিৎ ১১৫নি চঙবা ফৌ অমগী মপান মমি তম্বা হৌবসি ফৌদুগী অপূনবা নুমিৎতগী ৬৫ অসি খাইদোক্লবদি হুনবদগী মপান মমি তম্বগী মতম ফংফম থোকই। অদু ওইরবদি নুমিৎ ১১৫ চঙবা ফৌগী মপান মমি তম্বা মতম অসি (১১৫-৬৫=৫০) তারে। মসিদগী নুমিৎ নীনি/হুমনি মাঙজৌননা অরোইবা হার চাইবিহৌগনি। অসুম্না ফৌ মখল অমগী অপূনবা মপুন্সিগী 'নুমিৎ মশীং খঙলবদি হার চাইবগী তাঙ্কক লায়না পুথোক্তুনা হার কাঙলোন চুম্না চাইবা য়ারে। অসুম্না কুপ্না শেন্নদুনা হোৎনরবা অদুগা লোয়ননা হারগী চাং চানা চাইরবদি ফৌথোক নিংথিনা ফংগনি লোয়ননা হার চাইবগী অমাঙবা কয়া অমা লৈ হায়নরিবদুসু কোক্লগনি। হায়রিবা মওং অসিদা নুমিৎ মশীং খঙলবা ফৌ খুদিংমক্কী তাঙ্ককশিং, মরুওইনা মপান মমি তম্বা হৌবা নুমিৎ পুথোকপা য়াই।

লায়না-তিলনাগী মরমদা খরা অমুক নৈনসি। হৌজিকসি লৌফমশিংদা য়াম্না তাগনবা তিল অমা হায়বা তারবদি হয়িং তিল কৌবা তিল অসিনি। হায়রিবা তিল অসিগী মচা হল অদুনা ফৌগী মনা তিংথোরকপা মতমদা ঙৌনা ঙৌনা লাংবা অমসুং মনা অদুদা মরেক তারবোই নীংবা তিলনা মখল অসিনি। তিলনা অসি য়াম্না নৌরিবা ফৌশিংদদি খরা শোকহল্লি অদুবু ফৌনা খরা লীশল্লকপগা লোয়ননা তিল অসিনা হেঞ্জিন্না শোক্তুনা মাঙহনবদি ঙমদে। খরা হেন্না শোক্কদবা মাল্লবা অদুগা ফৌনা খরা নৌরিবা ওইরবদি লমদা Cyhalothrin 5% হায়রিবা হীদাক অসি ঈশিং লিটর তরামঙাগী চাংদা মিলি তরামঙা য়াল্লগা অদুগুম্বা পম্প অদু মরিগুম্বা শঙম অমদা কাপথোকপীয়ু নৎত্রগনা মিলি তরামঙা য়াল্লগা অদুগুম্বা পম্প অদু মরিগুম্বা শঙম অমদা কাপথোকপীয়ু নৎত্রগনা Profenophos 70% হায়রিবা হীদাক অসি ঈশিং লিটর তরামঙাদা মিলি তরামঙা য়াল্লগা মথক্কী চাংদা কাপথোকপীয়ু। ফৌনা খরা লীখ্রবা ওইরবদি কাপ্তুবনা হেন্না তোংজগনি। য়াম্না তাগনবা অতোপ্পা তিলনা অমনা ময়াম্না নুংয়েং হায়না খঙনরিবা ষ্টেম বোরর হায়রিবা তিল অদুনি। তিল অসিনা তারবদি ফৌ পাম্বীগী ময়োন অদু ঙাঙশিল্লক্কনি ময়োন অদু পায়দুনা চিংবদা ইরায় লায়না শৎপা য়াগনি। মসিসু য়াম্না শাথীনা তাবা নৎত্রবদি হীদাক শীজিন্নগুমসি হায়জনীংই। মসিনা শঙম অমগী মনুংদা ময়োন চাম্মা চিকখ্রবসু নৎত্রগা ফৌ চারোং পাল্লবা মতমদা চারোং চনী হেন্না চিকখ্রবসু কয়া য়াম্না মাঙগনি? করিসু মাঙদবগা মান্নৈ। য়েংবদদি ফজদবা য়াম্না মাঙলবোই নীংবা অদুবু মাঙখ্রিবা ফৌ চারোং অদুদগী ফংলক্কদবা শেলগা হীদাক্কী মমলগা অকাপমনগা হোৎতুনা য়েংবা মতমদা হীদাক কাপ্পনা হেন্না চঙগদবা ওইরবদি কাপ্তুবনা হেন্না ফৈ হায়বনি। তঙাই ফদনা য়াম্না হেঞ্জিল্লকপা তারগদি Coragen হায়রিবা হীদাক অসি ঈশিং লিটর ১৫ দা মিলি ৩গী চাংদা য়াল্লগা শঙম অমদা পম্প ৬তগী তাদনা চাং মান্ননা তরানি কান্নরগা অনীরক্কুম্বা কাপথোকপা কান্নগনি। ব্লাষ্ট লায়না হায়বদি পাঙন্দেম নৎত্রগা মীৎ মওং মান্না খামদেকপী লোয়ননা খামদেক্লিবা দাগকী ময়ায়দা উৎ মচু মান্না খামদেকপী অসি তারবদি Tricychlazole হায়রিবা হীদাক অসি ঈশিং লিটর ১৫দা গ্রাম ৮গী চাংদা নুমিৎ ১০নি কান্নরগা অনীরক হন্না হায়জখিবা পম্প মশীংগী চাংদা কাপথোকপা কান্নগনি।

অতোপ্পা খঙজিনবদা কান্নবা ৱাফম খরনা ফৌনা মশা তাশিন্দুনা মনুংদা চরোং শেম্বা লোইখ্রবা মতমদা হার ৱাৎলে খন্দুনা হার হাপ্লুবগী কান্নবা লৈতে মদুনা লায়না তিলনা বার্তন তৌবগা মান্নগনি। নাহৌনদুনা মনানা হেন্না ইনখিদুনা চরোংদা মরু হেন্না পানবগী মহুৎতা ফৌহাম শাৎপগী খুদোংথীবা থেংনবসু য়াই।

ফৌ লোকপগী ৱাফম খরা অমুক থমজগে। লৌফমদুদা হৌরিবা ফৌ পাম্বী অয়াম্বদা চারোংগী মখোক থংবা শরুক্তা তোংশাং নাইরিঙৈদা হায়বদি মরু খরনা শংলিবা অদুবু মেৎতুনা য়েংবদদি মহী থোক্ত্রবা মতমদা ফৌ খাওবনা খ্বাইদগী হেন্না ফবা মতমনি হায়বসি কাউবিরোইদবনি। মরমদি ফৌ মরু খূদিংমক মুনবা ঙাইরিঙৈদা হান্না মুল্লবা মরুশিং কেন্দুনা মাঙবনা হেনগনি। অমরোরমদা অমুকসু খাওদোক্তুনা থল্লিবা ফৌ পাম্বীশিং অদু হিংলিবনি। লোয়ননা শাংলপ তৌনা উদুনা মুন্দ্রি খল্লিবা মেৎতুনা য়েংবদদি মহী থোরক্তবা ফৌ মরূশিং অদুসু হিংলিবনি। হায়বদি মমা ওইরিবা খাওদৎলবা ফৌ পাম্বী অদুগা খাইনদ্রি। মরম অদুনা শংলিবা মরুশিং অদুদা ফৌ পাম্বীগী মখোক্তা লৈরিবা মচীঞ্জাক অমদি ঈশিং খূদিংমক মরূদা চিংখৎতুনা মরুশিং অদু মপুং ফাবা ঙম্মী। তোংশাং নাইরিবা মরু অদু ফৌহাম ওইদুনা মাঙনীংঙাই শুকওইওইদে। হায়রিবা অসি অঙনফৌদা নত্তনা মপূং ওইবা লৌরোক্কীদনা অমুক্কা হেন্না মরু ওইরিবনি। মরমশিং অসি খঙলবনিনা মতম চপ চানা খাওবগী হৈনবী থমসি।

থমজরিবা ৱাফম খরা অসি খঙজিনবীদুনা অঙনফৌ নীংথিনা লোকসি লোয়ননা মথংগী মপূং ওইবা ফৌ থাননবা হোৎনসি।



অঙনফৌগী লৌফম অমা